# কায়নবনা ফরদরা?

**ৱারী ককনাউ**

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

ইবেথোইগা তোমচাগা নুংশি মরী লৈনরক্লিসি চহী নিপানমুক শুরে। অনীসি ফজনা নুংশিনৈ। ইবেথোই লৈকায়গী মচিন চৎপী লৈশাবীনি। মাগী ৱা তাদনা থাবল চোংবগী নুমিৎ লেপ্পা যাবা নত্তে। লৈশাবী অচৌবদগীনা মচা ফাওবা মাগী য়াকা য়েংদুনা লৈনবীনি। তৌবগীবুদি ইবেথোই অশিন অরাং য়াম্না ফবীনি। মানা শেল খাইবগসিদি পীরোইগা ঙম্বা জাৎ নত্তে। য়াম্বা য়ামদবা লৈকায় যূমথোং খুদিং খাইবদে হেন্দোক্তুনা লম্বী চৎপা, খঙন-চানবা পূন্নমক্তগী খাইবতদা কুম অমগী থাবল চোংবসিদি খুৎকাপ্পী কাপ্পদু ঙাই, মৈগা ফজখ্রজাৎনি। ৱাইরিরা পাংহল্লিরা খঙপোত্তে, বেন্দগসি মরোল শুনা খোঙবা ঙম্বা, অনৌবা ঈশৈগা য়াম ফাবা পার্টি ঙাক্তনি মানা শিল্লিসে, অদুনা মানা শিনবা থাবলসি নুংঙাই হায়দনা মাগী ৱা তাদনা লেপ্পা ঙমদে। মদুসু শেল তপ তাখৈ লেমদনা চাক অমুক চান্নথোকইনি। নুংদাংদগসু লীলা নৎত্রগা ঈশৈদি কুম খুদিংগী অদুম তৌই। লৈকায় মীনা ইবেথোইদা হেক হেক হংই, “ইবেথোই কুমসিদি লীলারা, ঈশৈরা?

“খঙদে, কুমসিসি করি ওইনা তৌসিগে?”

“এ!! ঐখোয়গীদি নঙনবু শিল্লদি ইয়া য়ারেদা” হায়না ময়াম ৱা ৱা নোক্নরিপোৎনি।

অদুবু ইবেথোই চাক্লৌবা নোংঙানবদগীনি মানা শুকথরক্লিসি, চাক্লৌবা নুমিৎতুসু মা চাক চাবা য়াওদে। ময়ামদি চাক্লৌবা নুমিৎসিদবু চেনখ্রজাৎলা হায়না খন্নবনি অদুগদি থেংথরগা ইতুক তুকথনা হল্লক্লগা তুমিন ফমুং চঙখিবদগী হৌজিকফাওবসি মথ্বায় ইনুং নুংঙাইতনা উই। ইমুং মনুংগী মীনা থওইদবগী ৱা নত্তনা থোইনা ৱা ঙাঙনদে। মরমদি ইবেথোইনা য়াদে হায়খ্রবা, মানবু নীংখ্রবা তৌদা য়াদবা মচিং অমা লৈবদু খঙবনিনা মঙোন্দা কনামত্তনা ৱা অকনবা অমত্তা হায়দে।

তোমচৌসু মকোক ইচাও চাওরদনা ইবেথোইগী মনিং লৈকায়গী লৈরক মচিনগী খোঙনাং মখোংদুদা ইবেথোই ঙাইরি। তোমচা সাই উননি হায়বগী থোইদোক্লা মায়থোং মকা লাম্বা উদে। মরমদি ঙরাং মঙোন্দা ইবেথোইনা ফোন তৌরকপদা ইবেথোইনা মঙোন্দা কৈনোমা শোয়দনা হায়রনি হায়বসি খঙই। মাসু ইবেথোইবু মশক মুন্না খঙই। চহী নিপান চুপ্পা নুংশিনরক্লবনিনা মানা করি পাম্বা, মানা করি খনবা হায়বসি চাওরাকপা অমদি অদুম খঙই। তোমচা খোঙনাংদা ঙাদুনা মমাই লৈথোক্লগা লেপ্পী। অকংবা খোঙনাং মনা নুংশিৎনা শিৎপদা কেল্লক্লি। অকেনবা উনা অমা খুল্লগা সেট সেটতুনা তোমচা য়েংলি। করম্বা মতমদা ইবেথোই লাকখিবনো খঙহৌদে। ইবেথোইনা কৌরকপদতা খঙবনি।

“কয়াম কুইরে লাকপা”

“ঙাইহাক ওইরে, করি তৌরে নমাই নমিৎকদু ইমক মকশিল্লিদি”

“ঙসিদি ঐ নঙোন্দা ৱা অমতা হায়গে তৌবনি, য়ানি য়ারোই হান্না হায়ু”

“হায়দৌদু কৈনোসু খঙদনা, করিনো হায়রো”

“ঐ নহান লগাওদা শেল খরা মাঙখ্রে”

“থারিরা খাওরিরা”

“খাওবনি”

“কয়ামুক”

“লিশীং ১৫ মুক মাঙখ্রে”

“অদুক য়াম্বদুদি নঙদি কদাইদগী”

“ইমানা শিরমদাইদা পীরম্বা সনাদু কায়থোকখ্রে, দাউ য়াদদনা তৌবনি।”

“কৈনো নঙনা হায়নীংইসিনা”

“নঙ ঐগী সনাদু হঞ্জিনগেরা, ঐবু চেনগেরা নৎত্রগা থৌরি অমা লৈরক্কেরা, অপাম্বা অমা হায়রো। করিগুম্বা নঙনা ঙম্মোই হায়রগনা ঐ থৌরি য়াল্লগা শিরনি।”

তোমচা শ্বাই লাউই। মা খঙই ইবেথোইগী মচিং, থৌরিগা য়াল্লগা থোক হেক শিখিদুইজাৎনিকো, শাথিখ্রবা নুপীনি। মহাক ইবেথোইবু নুংশিবদি তশেংনা নুংশি, হৌজিক হৌজিক মাগী ওইরিবা ফীভমসিদা মাবু চেনবা হায়বসিমসু ওইথোক্লোই। মরমদি মাগী মপাদু হৌজিক কেন্সর নাদুনা কেমো কাপ্পীবনি। মাগী সনাদু হঞ্জিনবীগে হায়রসু অনাও-অয়েকও কদাইদগী শেল লৌরুনি। য়াদ্রে মানা থোকপা অমা তৌদুইনি। তোমচা মথা কন্না শারে। ইবেথোইনা হায়রিশিংদু অমত্তা খুমদখৈ উংদুনা লৈরি।

“কৈনো করি হায়রিনো, খুমদৌ সৎ -সৎ খুম্মো, ঐবু চেনগেরা, সনা হঞ্জিনগেরা নৎত্রগা শিরো হায়ব্রা?”

“ইবেথোই... ঐবু... করি হায়না খুমদোইনো খঙদ্রেদা?”

“নঙগী প্রোব্লেম পূন্নমক ঐ খঙবদি খঙই, অদুবু মুন্না খল্লো হোরেন নুংদাং পুং ৭ ফাওবগী মনুংদা পাউ পীরকও, চেনসি হায়রসু ঐ রেদিদা লৈরে। অমত্তা ঙম্মোই হায়রসু হোরেন ঐ শিনবা থৌরাং লোইরে, ঐ চৎলে” ইবেথোই হন্না ফাওবা য়েংলমদে অদুম চৎখ্রে। তোমচা ইক-আ ইক-আ তৌদুনা লৈহৌরে। হৌজিক্তদা তোমচাগী কোকসি খুঙদৌনা কন্না উংখৎলক্লি। লেপ্পম্বদগী তপ্পা খোঙনাং মখোংদা ফমথরগা খোঙনাংদা ঙাদুনা মমিৎতু তরংদা য়েংদুনা ফম্মী। খল্লি “ঐবু ইবেথোই কায়নবনা ফরদরা”।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০

১। ‘থোং নম্বোনবী’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক্তু কনানা ইবনো?

২। ‘পুন্সিনা পুন্সিগীদমক’ কৌবা রেদিও দ্রামাগী লাইরিক্তু কনানা ইবনো?

৩। “শৈরেং অমা উমদুনা/অসুম চৎলি অসুম অসুম/শৈরেং অমা...।” অইবী (কবি ) নুপী কনানা হায়বনো?

৪। **"Behind a curtain"** হায়না ইংরাজিদা লাইরিক ওইনা হন্দোকপা অইবদু কনানো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯ গী পাউখুম মঙামক অচুম্বা অমত্তা য়াওদে। ৱাহং অহুম চুম্না থাবিরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১। | *চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার* | *(৩)* |
| ২। | কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৩) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৯ গী ৱিন্নর**

*চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার*

দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

নবেম্বর ২০, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০; হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

১। অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহে অনীসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) ফম্মোইমিৎ ঃ- ফম্বাল (খ) ময়েল্লু ঃ- মাগী মচা মশু

২। “অপুম্বা পেঙবা অমনা/...লুকমাই অমগী মথক্তা/মঙ মঙলি।” কবি কনানা হায়বনো? ঃ- শ্রী বীরেন

৩। ‘মনি মমৌগী বিচার’ কৌবা ৱারীমচা অসিগী অইবীদু কনানো? ঃ- রাজকুমারি সনায়াইমা দেবী

৪। **"Manipur Trilogy"** হায়না ইংরাজিদা লাইরিক ওইনা হন্দোকপা অইবদু কনানো? ঃ- তায়েঞ্জম বিজয়কুমার সিংহ

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?☞ ঃ- ঐচ দ্বিজমনিদেব শর্ম্মা



**লমকোয় ৱারী**

# পুন্সিগী খোঙচৎশিং নীংশিংলকপা

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

**য়ুল্লে-কৈরৈগী মওং**

ঐখোয়না লৈরিবা মফমশিং অসি ঐখোয়গী য়ূমগা চপ মান্ননা খলহল্লি। চাকশং, ফি শুফম, অপীকপা লৈকোন মচা অমমম লোইনা লৈনৈ। কাশিংদা অঙাংশিংনা লৈরম্বগী শান্নপোৎশিং, মফি-মরোলগী উপু, লাইরিক, লৈরম্বা থেংনৈ। ঐখোয় লৈনবগীদমক, য়ূমদুগী অঙাং ফাওবা অতোপ্পা মফমদা লৈহনখিবসি উরুবদা, ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওখি। ঐখোয়বু য়াম্না থাজনা মখোয়গী য়ূমগী শো ফাওবা শিন্নরল্লগা মখোয়না অতোপ্পদা লৈখিবা মওং অসি মখোয়গী পুকচেল চাওবনি হায়না খনখি। লৈরম্বা চাকশং অদুদা থোংলগা চারসি খন্নে। পঞ্জাবীগী গ্রোসেরি দুকান য়াম্না লৈরম্মী। চেং ফংঙি অদুবু য়াম্না তাঙঙি। ৱান্দুনা চানবা থৌরাং তৌনৈ।

চাকশংদা লৈরল্লিবা পোৎচৈশিংগী মওং অসি উবদা অঙকপনি। শীজিন্নগদৌরিবা মৈ, থাগৎনবা গ্যাস স্টোভ অসি ঐখোয়না য়ূমদা শীজিন্নরিবা উরিবা মওংসি নত্তে। গ্যাসসু টোটি ঈশিং পাইপ পুরকপদৌনা গ্যাস বোটলিং মফম অমদগী য়ূমশিংদা কনেক্সন তৌদুনা টোতি ঈশিং শীজন্নবগুম্না শীজিন্নবনি। ইলেক্ট্রিক রোষ্টর, ফ্রাইয়র মখল কয়া লৈরম্মী। চাকশংদা লাইরিক য়াম্না মরাঙ কায়না বুক রেক্তা লৈরম্মী। লাইরিকশিং অদু কুক্কিং বুক ঙাক্তনি। চাইনিজ, ফ্রেন্স, অমেরিকান অমদি মেক্সিকান কুক্কিং বুক ঙাক্তনি। ইন্দিয়ান কুক্কিং লাইরিক ফাওবা য়াওরম্মী। ফ্রিজ মনুংদা মিট মফৈ অমা ডাক্তরগী সিল্ড নল্লগা লৈরম্বা থেংনৈ। কনাগুম্বনা মিট লৈরুবা তারবদি, ডাক্টরনা হান্না টেষ্ট তৌরবা সার্টিফাই পীবা নত্রগদি লৈদুনা চানদে। মহাউ য়েংনিংদুনা মচেৎ অমা কল্লগা ইলেক্ট্রিক রোষ্টর মনুংদা হাপচিল্লগা ওন তৌরুবদা, ওপরেট তৌবগী মওং খঙদদুনা রোষ্টর অদু সুইচ ওফ তৌবসু য়াদা, হাপখ্রিবা মিট অদু লৌথোকপসু য়াদা, মনুংদা হাপ্লুবদগী মৈখু কারকখি। কা অদু মিট য়াইবদা কাখিবগী মৈখুনা পূমম মমখি। ঙাইহাক্কী মনুংদা য়ূম অদুদা অহৌবা ইলেকত্রিক বেল অমা খীঙলকই। ঐখোয় য়াম্না পাখৎখি। মপান্দা চৎলম্বা মতৈ-মনাও অমখক ঐখোয়গী কা তম্না চেনশিল্লকই। মখোয়না থুনমক ৱালদা নপ্পুনা লৈবা ইমর্জেন্সি ব্রিক হায়না থাবা সুইচ অমখক থুগায়রগা কন্না নমশিনখি। কা অদুগী ইলেকত্রিক লোয়নমক মথন্তা মুৎখি। মৈখু কাখিবা রোষ্টর অদুসু তপ্না-তপ্না নেমথরকখি। সাহেব মতৈ-মনাও অদু হুম্মাংনা চোৎখি। নুপা অদুনা কিটচন বুক রেক অদুদগী ওপরেটিং মেনুয়েল লাইরিক অমা লৌথোক্লগা,পার-পারগা রোষ্টর অদু হাংদোকপী। মনুংদা হাপখিবা মিট অদু মৈনা পুমচাক চাকখিরল্লে। মচেৎ অমখক্তমক য়াওরম্মী। সাহেব অদুনা হায়রকই,

- রোষ্টর অসি সোর্ট সার্কুইট ওইবনা ফঙ্কসন ফেল ওইরে। কা অসি কমপ্যুটরাইজ প্রোগ্রাম্মিং তৌবনি, স্মোক ইন্দিকেটর য়াওই। কা অসিদা মৈখু কা হেন্না লৈরকপনা ৱার্নিং বেল খীঙলকপনি। মখা তানা, অহেনবা কা অসিদা মৈখু লৈরবদি কা অসি মৈ হৌরক্কনি। য়াম্না খুদোং থীনিংঙাই ওইগনি। ঐখোয়না মতমচানা লাকপদগী খুদোং থীবা অদুদগীদি কনবা ঙমলে। নখোয়গী নরালদি নত্তে। মপা-মপা চারুবননি। মসি করিগুম্বা মতমদা থোকই। ইমর্জেন্সি সুইচ অসিদা মুৎথৎকদবনি।

নুপাদুনা ঙাঙবদু তারগা, ঐখোয় নুংঙাইতনা তুমিন লৈনৈ। ঐখোয়দি মখোয়গী ইমর্জেন্সি সুইচকী মরমদা করিসু খঙখিদ্রি। মহাক্না ৱা মখা তারকই।

- নখোয় করিগুম্বা খর চানবা থৌরাং তৌরম্বা মাল্লি?

ঐখোয়না “হোয়” হায়না খুমখি। মিট মচেৎ অমা য়াইনবা তৌরুবা অদুসু মখোয়দা হায়খি। নুপা অদুনা, ঐখোয় করম্বা লৈবাক্তগীনো য়াম্না খঙনিংনা হংলকখি। ঐখোয় ইন্দিয়াদগীনি হায়রুবদগী, মহাক্না ‘ইন্দিয়ান কুক’ হায়না থাবা লাইরিক অমা বুক রেক্তগী লৌথোকলল্লগা ঐখোয়দা পীরকই। অচাথাও পেকেট ময়াম অমা কাদুদা লৈরম্মী। ময়াম অদুদগী নুমিৎলৈ মরুনা শেম্বা অচাথাও পেকেট অমা লৌথোল্লগা পীরকই। ইলেকত্রিক সোর্ট সর্কুইত অসি শেম্নবা মফম অদু পুবা লাইনমেন্দা পাউ পীখিগে হায়রল্লগা মতৈ-মনাওদু চৎখি। মহাক্না হেক চৎখিবগা, ঐখোয় কমদৌসিগে, ওর্গেনাইজরদা পাউ পীরসি হায়না খন্নখি। পংকুই কুইখিদে, নুপা অমা লাক্লগা করি য়াদবনো হায়না কাদা চঙলক্তুনা য়েংলম্মী। মহাক্না য়েংবদগী সার্কুইত অদুমদি য়াখি। নুমিদাং ওইরমদবা য়াম্না ফখি। য়ূম অদু মরাইবক থীবা হায়বদুনি, রিহর্সেল হল্লকপদা কাদুগী থোঙ হাংবা য়াদবদগী অমুক ফনা কুইনা মপান্দা ঐখোয় লেপখি। মশাদা শো চবুল য়ানবা, স্ক্রুদ্রাইভর, টেষ্টর অমদি অতৈ খুৎলাই য়াম্না থেৎপা নুপা অমা মোটোর সাইকল অমা তোংলগা লাকই। ঐখোয়না থোঙ হাংবা য়াদবগী মতৌ অদু উবদা মহাক চঙলকই। মহাকসি, য়ূমলক্তা কোয়না য়েংশিনবা চৎপা মী ওইরম্মী। মহাক্না শো হাংনবা কন্না হোৎনবীরম্মী। মদুদসু য়াদে, মশাদগী খুৎশু-খুৎলাই ময়াম লৌথোক্তুনা থোঙ হাংনবা হোৎনখি অদু ফাওবদা য়াখিদে। মহাক তৌফম খঙদনা চৎখি অদুগা মী অনী অমগা অমুক পুদুনা লাকই। হন্দক্তী মহাক ক্রেন ভান পুরকই।

ওন্থোকপা হায়দুনি,খজিক-খজিক্তগী য়ূমদুগী ফক্লাং অমদি অতৈ থোংজাও খরসু ফক্তুনা শেমখি। থংনবা কা অমগী য়ূমদা কাখত্তুনা মনুংলোমদগী নমদুনা থোঙ হাংলকই। থোঙ হাংলবনিনা য়ূম মনুংদা ঐখোয়বু চঙহল্লি। মখোয়না

মপান্দা শেল্লগা লৈহৌখি। ঐখোয়দি মনুংদা চঙলে। য়ূম অদু শেম্বা লাকপনিনা চা পীথকসি হায়না থৌরাং তৌখি। থবক তৌরিঙৈ মনুংদদি থকউ হায়বা য়াখিদে লোইরগা চা থকমিন্নখি। মখোয়না হায়রম্বদা মফমদুগী য়ূম অয়াম্বা চহী য়াল্লবা ঙাক্তনি, অথুবা মতমগী মনুংদা Yorkshire Building




Society না লোইনমক শীদোক্তুনা অনৌবা বিল্ডিংশিং শারগনি। মথংদদি লৈবা নুংঙাইরগনি। মফম অদুগী য়ূমশিংগী মোডেলশিং চপ মান্নে। মথোল অহুমদগী হেন্নদে। য়ূমশিং য়াম্না কূঙনা শাই। মনিংথংবা শরুক্তা অপীকপা গার্ডেন মচা অমমমসু লৈনৈ। য়ূম মরক্তা, অপীকপা লৈরক মচা-মচা লৈরি। কার, ভান চঙবা য়াদে। লৈরক মচাশিং অসিদা মোটোর বাইক নত্তনা অতৈ চঙহন্দে। কার ভানশিং পার্ক্তা লোইনা খাম্নে। কয়াদা মরাইবক ফরিবা লমদমনো ? য়ূম য়াদা-খোৎতবসু য়েংশিনবি, সোসাইটিনা লোয়নমকসু শাবীগদৌরি। সোসাইটিগী থৌদাংসি য়াম্না চাওই। সোসাইটি য়াম্না লৈবগুম্নসু তৌই। কনাগুম্বগী ইলেকত্রিক য়াদে হায়রুবদা খুদক্তা মী লাক্তুনা শেম্বীরে। ইরমদম মণিপুরগী পাউদি অঙকপনি। থাংমৈবন্দগী ট্রান্সফোমর য়ারক্তবা থা তরুক শুরবনি, এম.এল.এ য়াওনা হায়রে হায়, হৌজিক ফাওবা শেমহৌদ্রি হায়। ইঞ্জিন্নীয়রনা হায়, ট্রান্সফোমরগী থাউ লৈতে, মৈ শেম্বা কাংবুনা হায়, ট্রান্সফোমর য়েৎপা লোইদ্রি। কনানা চুল্লিবনো, চাওরিবনো হায়বা খঙদে, হৌজিক ফাওবা মৈদি মমহৌরি হায়না তা-তোম্বনা ৱারী লীখি। মীরৈবাক্তা লৈরকপদগী মৈ মুৎপা থেংনরক্তবা কুইরে। শোয়বদগী ঐখোয় মশেল মীরমদুদা হায়নখিবা য়াওই “ঙসিসিবু মৈ লাকপা নুমিৎ তাবা জাৎলা ?” মফমদু মণিপুর নত্তে খঙলকপদা, ঐখোয় নোকখি। ঐখোয়না লৈরিবা য়ূমগী ইলেকত্রিক অমদি থোঙ হাংবা য়াদবগী পাউদু য়ূম্বুসু তারমাল্লে, ঐখোয়গী নাক্তা লাক্তুনা য়েংশিল্লখি। ঐখোয়বু নুংঙাইখিরোই হায়দুনা অৱাৎ-অপা হংবিরমখি। ঐখোয়গী ওইনদি থোইনা অৱাৎ-অপা লৈখিদে।

ঐসু, ৱারী মশা খরদি নাকল অমদা হাইদোকখ্রে অদু ওইরগসু, থৌদোকশিং অদুসু খোঙচৎ অদুগী মরু ওইখিবা ঙাক্তনি। মশাশিং অসিনা থৌদোকশিং অদু হৌজিক্তা থোকখিগুম নীংশিংদুনা লৈহল্লি।

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

# পুন্সিগী অরোইবা ইপাউ

**ইবোহল নাওরেমচা**

**ওইনাম অৱাং লৈকায়**

**ঙসিদি** নহাক্কী নফমদা অহিং মিংশেল খাঙদুনা তূমদবমখৈ পূক্লিংগী ইপাউসে তমজরমগে মসিগীদমক্তা ঐহাকপু অমুক হন্না ৱারৌবিরনুকো। নহাক্তি ঐগী নুংশি মায়কৈদা অমুক হল্লক্লরোই হায়বগী ইঙ্গিৎ নঙনা ঐঙোন্দা পীদ্রবসু ঐগী ইপুক্লিংসিনা ইতোমতা খঙজখ্রবনিকো। অমুক হন্না নঙনা ইনাক্তা লাক্লরোই হায়বা ঐ খঙই। নোংমা নঙনা ইনাক্তা লাক্তুনা ঐগী ডাইরি ফাক্তোক্তুনা শুমাং মচিদা ঙাদুনা লাংতক্লনা পারম্মীদনা নহাক্লদি কাউরম্বসু ঐহাক্তি নুমিৎ অদুতবু নীংশিংদুনা মরম কয়া অমা থিদুনা তূমখিদ্রবনি। ঙসি ঐনা ইরিবা ইপাউ অসিদি মহৌশাগী লোন্দাদগী অহোংবা ওইরবনি। ইপূক্লিং অসিনা ইতোমতা ৱা অসুমক ঙাওবসে ঐ ঙসিদি মহৌশাগা মান্নদ্রে চোকথরে। ঐগী ইতৌসিদা চীং লেম্না শুন্মৎয়াই পুবি, ইং তপ্লবী নহাক্কী চিনবাদুনা ঐবু ৱারৌবসু ঙমদা, চৈবসু চৈনিংদা তৌদুনা নপূক্লিংদা ওমচাক্লনা খাঙলিবা, লোইনাইদনা ৱা ঙাঙলিবা, লোন্থোক্তবী নঙগী থম্মোয়দো অসুম্মক নীংশিংহল্লে।

নহাক্কী থোইচৎ-ৱাংচৎনবী নতৌ অদুদা ঐনা নঙবু চৈবদি ঙমজখিদে। নুংশি চৈনা কনখিবনা ইতোমতা চৈনা খাঙজখিবনি। ঐনদি নহাকসে মালেমসিদগী পুমহেন হেনবীনি খোইজংনা মীহৌজখিবনিকো। নঙগী ওইনা চাওবী নতৌদুনা, ঐনা নঙগী আশাদা মঙলান কয়াসু শাগৎচখিবনি, অদুগা নঙনা লাইবক ফবা কনাগী মাকাদা লুপলিবনো? নঙনা ঐবু থওইদ্রবসু ঐনদি নহাকপু নুংশিবদা অহোংবা হায়বদো লৈখিদে। নঙনা ঐহাকপু মীরাইবা উরগা ইতোমতা অহিং খুদিং উপায় লৈতনা কপচখি। ইবান্নি মপোক অসিমগী অমুক হন্না তিন্নখিদবসু য়াই, নহাক্কী ননিং থুংনবা অদুবু ঐহাক্কী ফিরেপতি মপোক অসিমগী অসুম্মক হোংহনবা ঙল্লরোই।

ইবান্নিগী মরক্তা মুক্লবগী ৱারৌনবগী পল অসিদি ঐনা থৌনা পূম্বা শীজিন্নদুনসু অমুক হন্না নমখায়দুনা ঐগী নুংশি মায়কৈদা নহাকপু নখুৎ চিংদুনা পুরকপদি হন্দক মপোক অসিমগীদি ওইথোক্লরোই। নাইতোম হিংবসিদগী হেন্না নুংঙাইতবা নহাক্লা অমুক তাক্লমদ্রবসু ঐগীদি লম্বীদো তঙাইফদবনি। নহাক্কী অনীংবা অপাম্বা খঙদবা ঐহাকসে নঙবু নুংশিরুবগী চৈনাসে খাঙখ্রবনি। নহাক্লা নমিৎ নাম্মা উইশিন্দুনা মাইথোং পূম্বা মকশিন্দুনা খাঙজবনি।

নোংমা নুমিদাংৱাইরম লৈকায়গী নুপী অমা ঐগী ইনাক্তা কোয়থোরক্লম্মী মদুদা ঐগী ইতৌসে উরগা নুংঙাইত্রমাল্লে চৎলমদাইদা হায়রম্মী “মালেম অসিদা লৈরিবা নুপী পূম্বসে অহেনবা লোয়না পাম্বনা অতৎপা লৈতনা লৈচিলগুম মচু ওল্লবনি” মহাক্কী ৱাহে অদুদা ঐনা নহাকপুদি ৱারৌখিদে। তশেংনা ঐগীদি নহাকসে নুংশি লাইরেম্বীনি।

নুপী ওইবী হায়বসিমক্তবু মীগী মরমচৎ মওং মতৌ য়েংদুনা পুন্সি লেনবনি। ঐগী পুন্সিসে মপোক অসিদদি খোঙচৎ কায়রবা, লম্বীসু লম্মুক্লরবা গ্রহগী খোঙচৎকুম্বনি। নঙনা ইনাক্তগী চক কয়াগী ওইনা লাপথোক্তুনা চৎখ্রবসু, নুমিৎ চুপ্পা অমা নঙতবু নীংজবা অসিনা তাইবঙপানসিদা নাইতোম হিংবসু ঙল্লকখিবনি। ঐনা নঙবু নুংশিবদি করিগুম্বা মালেম অসি খঙহৌদনা কায়খ্রবসু অকায়বা মচেৎশিং অদুনা মায়কৈ খঙদনা উফুল ওন্দুনা পাইখ্রবসু নহাকপু নুংশিদবদি ঙমলোই। অসুম্না অসুম্মক নঙোন্দা য়েৎতুনা হিংগদবা ওইরবদি ঐগী পুন্সিসে অসুম্মক থিফম খঙদনা মাঙখ্রসনুকো। নহাক্কী নওং নতৌ য়েংদনা ঐনা নংবু নুংশিরুবসে পূন্নমক্তগী ইতোপ তোপলিবনি। নহাক্তি অকোয়বদা তিল্লিবা মীয়াম অদুগা ঐগী মায়কৈদা লৈরিবা অৱা অনাগী খুদোংচাদবশিংসে নহাক্লসু হেন্না খঙলিবা অদুনি।

মীওইবনা মালেমথকসিদা হেক পোক্লকপদগী ঈরাং কয়া অমা থোকখ্রে। হৌজিকসু লোইবা নাইদ্রি। অদুমকপু নঙবু থেংনবা মিৎকুপ অদুদগীদি নহাক্তগী আশাদা লাইনীং ওইদুনা লাকচখিবনি। ঐনা পামজবদি, নহাক্লা পামজবা য়ূম অদুগী অকোয়বদা লৈরাংশিংনা ফুগায়না শাৎপগী লৈনম, নুমিদাংৱাইরমগী তারমদাইগী চীংদোল খেৎনা পাইরিবা লৈচিল মপৈতবু য়োৎশিল্লগে হায়বগী মতাগুম্না খোঙজেল য়াংনা পাইশিল্লক্লিবা অঙাংবা নোংজাবীগী মপৈলক্তা শাখপ তোইরক্লিবা উচেকশিংগী শঙ্গুনি।

নুংতি নুমিৎ খুদিং নথানুংদা কেকু লোৎপী শান্নজনীংবা ঐগী থম্মোয় পূক্লিংগী অপাম্বা ইহুলসিবু নহাক্লা খঙবিখিদে। পূন্নমক নহাক্কী মিৎয়েংগী ৱাংমদা থম্বীখি। মায়থীবতনা শিংকুপ শানা শুগায়বিরল্লবা ঐগী থম্মোয় য়েন্নিংসে নহাক নত্তনা অমুক হন্না য়েন্নিং হুলহনবসু ঙল্লরোই অদুবু নহাক্কী অহেনবা পাম্বা নতৌ অদুনদি ঐগী পুন্সিবু করম্বা আশাদা ঐবু নুংশি মীনোক তমহন্নীংগনি।

ঐনা করম্বা আশাদা অঙাং ওইরম্বদগী চাউরকখিবা, ঐহাকসু মফম খঙখিদে। ইমা ইপাগী শেৎন-খাইনবা মরক্তা ইপুন্সি অসিনা চাই-চাদে মফম খঙদনা লাইরিক তম্বা চৎলিবনি হায়দুনা বোরা পায়দুনা এল পিগী থাকসু লোইশিনখি। স্কুল তম্লিঙৈদসু অৱাংবা চীং কাদুনা, পাৎতা খোই থাদুনা, শীং চন্দুনা মীকোক থোংবসু ঙল্লকখিদে। কোলেজ তম্লিঙৈদসু ইশাগী ইথৌ কাইথোক্তুনা লৈবাক্কী সেবানি হায়দুনা অরেম্বদা মতম কয়া অমসু মাঙহন্দুনা মীমান্নবা ঙমখিদে। অৱাৎপা লৈত লায়রবগী কুয়োমনুংদা ওইথোক্তবা আশা কয়া তৌদুনা য়ুনিভর্সিটি তম্লিঙৈদসু চহী মশীং থি-থিদুনা উচিন-নাচিন্না ইমাগী খায়রৌ-লাইরৌ চেন্দুনা চাকলেম চাদুনা অৱাংবা থাক্কী ইহৈ তম্বসু লোইশিল্লকখি অদুবু মতমসিগী শেঞ্জা থুমজানা লাকহৎলবা ইরমদম অসিদদি ইহৈসে অরেম্বনি।

ওজাশিংগী পাউতাকশিং অমদি মালেমগী মীথোই মীহেনবা কয়াগী ৱারীশিং অদুনা ইশা ইতোমতা অচৌবা মতিক চাবা মী ওইগনি হায়দুনা অহিং কয়া তূমদনা হোৎনখি। নহাক থেংনরুবদগী অনৌবা পূক্লিংগী আশাদা অমুক্কা হেন্না ঐনা হোৎনবদি লেপখিদে।

ঐনা হিংবগী লম্বীদা মমি শামখ্রবসু ঐগী ইশক ইতৌ য়েং য়েংদুনা ঙসিদি নহাকসু মমিং লৈরবা কোলেজ অমগী লেকচররদি ওইরেদনা। ঐ ইশা ইতোমতা নহাক থেংনবগী পেঞ্জবা-নুংঙাইবা মরক্তুদা ঐ নঙগী মরী অদুনা মঙলান কয়া তৌদুনা অৱা অনাগী কুয়োমনুংদগী ঐনা মোমোন নোকচখি। ঐহাক ঙসিসু ইতোমতা ঙক্লি করম্না ইবান্নি লাপথোক্লখিবা। মিৎকুপ অমত্তা ঐহাক উদবদা লৈঙমদবা নহাক্কী নুংশিবা নতৌ অদুনা ঐবু খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা ওইহনখি। নহাকপু নোংমতসু ননিং থুংহনবা ঙমখিদে। মতমসিগী চাউখৎ লমজেলদা অথোই অহেন তান্নবা মীওইবা মরকসিদা ঐগী মওং চাদবা য়ূমলৈ কৈরৈ অদুনা নহাকপু নোংমতসু ঐগী ইতৌদা ঙাওচৎনবা ঙমহনখিদে।

ঐগী অসিগুম্বা শাজৎ-লোনচৎ অসিতনা মরম ওইদুনা ঐহাকপুদি নহাক্তা নত্তনা মীওইবা মরক্তসু চন্নফম লৈত্রবা মীওই ওইহৌরবনি। মপোক অসিদা নত্তনা মপোক কয়ারক পোক্তুনসু ঐনা অসুকপা চীংনুংদা, পাক্লবা সমুদ্রগী ইপাক্কী ইরোলনুংদা অদুগা মালেম অসিদগী হেন্দোক্তুনা অহাংবা তরং মালংদা নহাকপু কোয়না থিরুবসু অমুক হন্না ফংঙমলরোই। তশেং তশেংনমকনি ঐ নঙগী নুংশিবদি ইথক অমগী চাংজৌ নাইদ্রবা ইথক্কী অকনবা শাফুগী ইরাওখোল লোইদ্রিঙৈদা লোইবা নাইদ্রবা ইথক্তুনি। অসুকপা উমংদগী শা কৈনা থোক্লক্তুনা চীংনুংগী তম্পাক্তা হৌরিবা চারোৎ হাবুং নাপি মথক্তা চেন চোংদুনা মনিং তম্না শান্নবা মতৌদো নহাক্লা ইবান্নিগী নুংশি খোঙচৎতা উখ্রবরা? ঐদি মিৎমাংদা নঙবু থিবদা থেংনরবনি। শা কৈগী অয়াকপা খোঞ্জেলদুনা নঙগী ৱাখলদা ফুম্বংনরবা ঐহাকপু লম্বী লম্মুক্লদুনা লম্মাংনহনবসু ঙমখিদে অদুবু নঙগী মাইকৈদি লম্মুক্লরে।

নুংতি নুমিৎ খুদিং মহাক্লা নঙবু য়েংশিন্দবা থোক্লবদি নোংমা ফাদোক ঐহাকপু নিংশিংলক্তুনা থম্মোয়নুংদা চৈনা ফাওরখিগনি। মতমদুদা ঐনা নঙবু কয়ামুক নীংজবা হায়বদো ময়েক শেংলক্কনি। লৈচিল নোংফাই কুপশিন্দ্রবা তরু তশেংবা নুমিৎকী পূক্লিং হুনা নিংথিবা শুন্মৎপনা লাকহৎলবা চীংয়াগী লিরি হুম্বা মালংনা হাইনা হুম্না লৈনম শন্দোক্লিবা লোইরোয়বা নাপোমলক্তা। মহাক্কী মফমদা চন্নফম খঙদ্রবা নঙগী নুংশিবনা লাই কয়া পন্দুনা, শাপ কয়া তৌদুনা, ধ্যান তৌরবসু লমন খুল্লিবা মাগী য়েংথিবা লোনচৎ অদুনদি ওমচাক্লরিবা নঙগী মৈচাক নিঙমদবা অদুদি মপোকসিদসু নেমলরোই। মৈনা ঈশিংনা চামদুনা কোক্লরোই থম্মোয়নুংদা চৈনা ফাওনা হকখিবা দাগফম অদুদি পুন্সিনা মৈরিরক্তা মৈৱাইদুনা তিনদ্রিমখৈ অসুমক কোকপা ঙমদনা লৈহৌরনি।

উপাল উহৈ চাদবগুম্না ঐগী নুংশিবগী পম্বুং য়ৌখিদ্রবসু নঙগীদমক্তবু হায়রবদি মপোক মপোক্তা অকেনবা উনা ওইদুনা মীয়াম্না শা-ঙা কয়াগী খোংনেৎফম ওইদুনা অরেম্বদা পুন্সিনা মাঙখ্রবসু নহাকপু মীরাইবদি লৈখ্ররোই মপোক কয়াদা। নহাক্কী নুংশিবা শক্তমগী ইংনা চংখোনবা চীং লেম্বা অদুবু কনানসু খঙবিদ্রবা, নহাক্কী ফজবা খিবিক্তো ইমিৎসিনা উবা ফংলরোই, ওইনা চাওবী নতৌদুসু থেমজিনবা ফংলরোহে, তেংথাদুনা কপলিবা থম্মোয়সে নহাক্লসু উবিদ্রবনিনা লৈহৌরনি ৱারীদি মীরমলেনসিদা।

ঐনা মহে তম্লিঙৈ, তাইবঙসিদা নঙমুক নীংথিজবা থেংনখিদ্রবনি নহাকসে ঐগী ইফমদদি পূন্নমক্তগী পুমহেন হেনবীনি হেন্না ফজবগী মপা লৈতবিনি। শুন্মৎপনা ঙাওহল্লিবা নঙগী মায়থোংগী মীনোক, য়েংজবগী পেনবা নাইদ্রবা হকচাংগী তনৌরবা কুচু, কোয়রাওনবী মিৎপু খুমজিল্লিবা অমুবা শল্লাং করিগুম্বদা চীং লেল্লবা নঙগী ৱাঙাঙ লৈসি লৈথোন্দুনা ওমচাক্লহল্লি, মীবু চাকচহনবা ইঙ্গিৎ পূন্নমক্তুনা ঐবু কল্লক খম্বলহনবনা মিৎকুপ অমত্তসু পোত্থাফম খঙহন্দে - পূক্লিং ইশা পূম্বসে।

নহাকসে হেক উবদা রোমান্টিকসু য়াম্না কা হেন্না ওইমনখ্রে। মপোক অমা হোংগদবগী ফিরেপ অমা লৌরগে হায়না খল্লকপা মিৎকুপ অসিদা অঙাং ওইরিঙৈদো অপাকপা লমহাংদা কোয়চেন চেন্দুনা চেন চোংদুনা শান্নবা মশান্নশিংদো ঙসিদি অমুক নীংশিংলক্তুনা তৌফম খঙদবা নুমিৎশিংদো নীংশিংহল্লে। ফরে পূন্নমক হৌখ্রসনু অরোইবা নুমিৎ অসিদা নহাকপুদি মহৌশাগুম্না অমুক্তংদি ইমিৎসিনা উজনীংবনি অদুবু অমুক হন্না উজবা ফংগনি হায়বা থাজদ্রে - নহাক্কী শক্তমদো মমি শাম্মী উরক্লে ইমিৎসিনা।

ঐগী আশা পূম্বা অহিংগী অমম্বা মরক্তা থিফম খঙদনা মাঙখ্রসনুকো - মপোকসিমগী। অদুমকপু মসিমদি নীংশিংঙু ‘লভ ইজ এ লাইট ওফ লাইফ’।